# মণিপুরী ফিল্ম ওইরক্লবা শাগৎলকপদা ভিদিও ফিল্মগী ঈহৌসু শীংথাবীফম থোকই

*- নানি*



ঙসিদি নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল অনীমক্কী থাক্তা মণিপুরী ফিল্মনা কাখৎপা ঙম্লে হায়দুনা পেন্থোক্তুনা লৈরি। মীওই কয়া অমনা মখোয় মশা-মশাগী অচেৎপা ফীভম অদু য়েংলগা হৌখ্রবা কয়াগী ৱারী শিংবুনবু নাথৈদুনা থম্লবদি মদু তৌহৈদবা অমদি হৌন-লোনচৎতা অকায়বা হায়বদু ওইগনি। মণিপুরী ফিল্ম অসি খংপোক পোক্লক্তুনা, খংফা হেক্তা ফরকখিবা নত্তে। ঙসি ফিল্মগী লমজং অসিদা খোঙকাপ খরা কনশিল্লে হায়দুনা মাঙলমচৎপু কৈদৌনুংদা কাউফদে। ঙসিদি লাই ওইখ্রবা মতিক চারবা মীৎয়েং শাম্বা মীওই কয়া কয়ানা তাঙ্কক কয়া কয়াদা লৌবীখিবা থৌদাং অদুবুসু ঐখোয়না শীংথানফম থোকই। মখোয়না ফিল্ম করিনো হায়বা খঙজদ্রিঙৈদা হোৎনজরকখিবা কয়া অদু মঙফাওনখিদ্রবসু মখোয়গী থৌদাং কয়াশিং অদুনা মণিপুরী ফিল্মগী মশক লাকশিনবা হৌরকখিবনি হায়বসিদি ইচুমদা চুমদুনা লৈগনি। তাঙ্কক কয়াদা লন্নাই মীওই কয়া কয়ানা মণিপুরী ফিল্মগীদমক হুমাং কয়া কাংনখি। লৈখিদ্রবা তাঙলবা লমদম অসিগী ফিল্মগী মঙ মঙজখিবা কয়ানা হোৎনরম্বা কয়া অদুনা শীঙ ওইনা য়াংশিন্দুনা মণিপুরী ফিল্ম এপ্রিল ৯, ১৯৭২দা সেন্সর সর্টিফিকেট লৌদুনা মীয়াম মাঙদা থেল্লরখি। মদুগী মমাঙদা লৈখিবা চাংয়েংগী থাক্তা পুথোকচখিবা অমদি হোৎনজখিবা কয়া অদুবুনা মতম মতমগী মৈরানবী ওইদুনা কেমদুনা মাঙখিবগুম্না লৌবীবদি লানগনি হায়না ফিল্মবু নুংশিজবা অমদি ফিল্মগী খোঙচৎপু মুন্না য়েংলিবশিংনা হায়নরক্লি।

মণিপুরী ফিল্মনা তপ্না তপ্না খোঙকাপ থাংলকপনা চহী অমদা ফিল্ম অমা নৎত্রগা অনী পুথোকপগী চাংদাদা য়ৌরখি। মীয়াম্নসু অদুম তরাম্না ওক্লখি। মতমদুদা ফিল্ম নম্বগী অৱাবসি করিনো হায়না শেংনা হেক হায়নরবদি- ফিল্মগী মরমদা অকুপ্পা কাঙলোন মুন্না খঙবা মী লৈতবা, কেমেরা, লাইটিং, মেক অপ, ক্রু মেম্বরশিং ফাওবা মপান্দা লোইনা তাঙজখিবা, ফিল্ম নম্বা লোইরবা ফাওবদা মপান্দা চৎলগা ইদিটিং তৌরুবা, কয়াশিং অদু য়াম্না অরুবা অমদি অকিবা অমা ওইনা লৌনখি। আর্টিষ্টকী মতাংদদি মতমদুদা থোইদোক্লা অৱাবা লৈখিদে। মণিপুরী ঠিএটরগী শুমাং লীলাগী মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়ানা শৌ শাদুনা লৈখিবা তাঞ্জানি। অদুগা নুপী আর্টিষ্টশিংসু খন-খন্দুনা হৈবা হৈতবা, হান্না আর্টকী লম্বীদা খঙবা খঙদবা মশক মতৌ, কেমেরাগী শক্তাবু তারবদি হেক্তা খনগৎতুনা ফিল্ম কুমহল্লম্বগী তাঞ্জা অমসু লৈখি। অদুনা মতমদুদদি আর্টিষ্টকী মতাংদদি কয়া থোইনা লুনা খন্নখিদে। ফিল্মদা এক্টিং তৌবা অসি লায়বা নৎত্রবসু অরাইবা অমগুম্না উহনখি। মদুগী চৎনবী অদু হৌজিকসু অদুম হোংদনা লৈরি। মমানা পোকপদগী আর্ট করিনো খঙজদবা কয়া অমসু ফিল্মদদি অচৌবা রোল পীশিন্দুনা মমায় লৈথোক লৈশিন তৌরগা এক্টিং হেক্তা ওইহল্লকই। থোইদোক্লা অরুবা অমা ওইনা খন্নবা ঙমদ্রি। মদুদা য়াওন্নরকপা কয়া অদুনা ঙসিদি খ্বাইদগী অফাওবা অমগুম্না লৌনবসু লৈতবা নত্তে। তশেংবদি এক্টিংগী থবক তৌবা হায়বসিদি অরায়বা অমদি নত্তে।

মপুং ওইনা লাকচনিংলিবা ৱাফমদি, থৱায় য়াওজবা খরনা মণিপুরী ফিল্ম নম্নবগী থৌরাং লাংনরক্তুনা কুম খূদিংগী পুথোরকপগী পাউ লৈখি। মরক অসিদা ভিদিও নম্বা য়াবা কেমেরা থোরকপদগী, লুহোংবা, থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী মমিশিং নমদুনা রেকোর্দ তৌবা য়াবা উরকপদা লমদম অসিগী নহা খরদি মদুনা ফিল্ম নম্নবগী চাংয়েং তৌবা হৌরকখিবা অসিনি। মখোয়গী চাংয়েং অদু তশেংনা মায় পাকখি। মখোয়না পুথোকপা ভিদিও ফিল্মশিং অদুনা লৈকায় খূদিংদা, য়ুমথোঙ খূদিংদা ভি সী আর শীজিন্নদুনা টেলিভিজনদা কাপ্তুনা য়েংবা ফিল্মদুগী শানফম ভিদিও পালর কয়া লিংখৎনরক্তুনা ভিদিও ফিল্মগী মার্কেট অমা কন্না শেমগৎলকখি। ভিদিও ফিল্ম অমা পুথোক্লুবশিং মথং মথং শেনমাং তুমাং হায়বদু লৈত্রবনিনা পুথোক্লরকখি। মমৈদদি সিনেমা হোল লৈজ দবা লম কয়াদা প্রোজেক্টর শীজিন্নদুনা খরা চাউথোকহল্লগা টিকেট কক্তুনা শঙ্গোইদা নৎত্রগা কা অমদা ভিদিও ফিল্ম কাপ্তুনা শেল তানবা হৌনরকখি। খরা লৈরগদি ভিদিও ফিল্ম উৎফম হোল লন্নাই ওইনা শাগৎনরক্তুনা অচৌবা ফিল্মগী মায়ওন অমা পীবা হৌরকখি। মসিগী ৱাফম অসি হায়রক্লবা হোৎনবদা মতমদুদা নহা ওইবা, ফিল্মবু থৱায় য়াওজবা কয়া অমনা অফবা ভিদিও ফিল্ম করম্না নমগদগে, হায়বগী ৱাখল কয়া তৌনরকখি। অফবা স্ক্রিপ্ট, ঈশৈ, ম্যুজিক, এক্টর কয়া কয়া শেমগৎলক্তুনা ভিদিও ফিল্মগী ৱর্ল্ড অমা মণিপুরদা পুরকখি। তশেংনমক মায় পাকখিবা অচৌবা মুভমেন্ট অমা ওইখি। তৌবগীদি মতমদুদা ভিদিও ফিল্মবু ভি ঐচ এস ফোর্মেটতা নমখিবদুগী মরমদি- ফিল্মদদি থৱায় য়াওজবা, (সেল্ল্যুলোইদ পুথোক্লিবশিংগী মনাক্তা চঙদুনা ৱা হায়জবা, অমদি খুৎ থাজবগী তাঞ্জাদি ফংজদবা, অঙাংনা করি খঙদনা হায়বা ৱাফম কয়া লাকপনা অদুগুম্বা কয়াগী মনাক নকপদি ঙমজদবা) সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম ওইনা পুথোকপদি ঙমজদবা, তৌরুরসু অঙাংনা মৈ পায়দুনা শান্নবগী ৱা ওইনা হেক হায়বীবা, অদুনা শেল ইতিং তিংদবীদা নম্বা য়াবা থিরকপদা ভিদিও ফিল্মদুদা মায় লৈশিন্নখিবনি। নুংঙাইরিবদি মতুংদা সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম ওইনা পুথোরক্তুনা নেসনলগী থাক্তদা নত্তনা ইন্টরনেসনল ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা ফাওবা এন্ট্রি তৌবা ঙম্বা ফিল্মশিং পুথোকখিবগী ৱারীসু লৈরি। মসিনা তাক্লিবদি, ভিদিও ফিল্মগী মুভমেন্ট অদুনা মণিপুরী সেল্ল্যুলোইদ ফিল্মগী এরেনাদা চঙশিল্লকপদা থোইদোক্লা মায় পাকপা ওইখি হায়বসিনি।



মণিপুরদা হিন্দী ফিল্ম কাপ্পা থিংখ্রে। ফিল্মগী ৱা খক্তা নত্তনা ফিল্মগী ঈশৈগী কেসেট য়োনবা, শকপা লোইনা থিংজিনখ্রে। হিন্দী ঈশৈনা হিন্দী ফিল্মনা মীয়ামগী পুক্নিং খোন্দুনা লাকখিবদু খাংতপতা তোকপা তাখি।



হিন্দী ফিল্মগী ঈপাক্তা তাওদুনা মরক মরক্তা পুথোকচবা মণিপুরী ফিল্মনা হোলদা কাপচদুনা পুন্সি নুংশাংনরম্বদু মণিপুরী ফিল্ম খক্তনা হোল মবুক থলহনবা ঙমখিদে। অদুনা সিনেমা হোলশিং তপ্না তপ্না শিথরকখি। থোঙ লোন্নরকখি, অমদি সিনেমা কাপ্পা তোক্তুনা অতোপ্পা বিজিনেসকী মায়কৈ হোংবা হৌরকখি। মতম অসিদা অকনবা ঈহৌ অমা ওইনা লৈরম্বা ম্যুজিক ভিদিও এলবমগী ঈহৌসু অমুক হেন্না কনশিল্লকখিবা। অনৌবা এলবমগী হেরো হেরোইন কয়া থোরক্তুনা মীয়াম্না খঙনবা হৌরকখিবা। তাঞ্জা অসিমক্তদা ভিদিও ফিল্ম ওইনা নমখিবা "লানমৈ" ফিল্মনা গুৱাহাতিদা চৎতুনা সেন্সর সর্টিফিকেট লৌরুরগা দেপ্যুটি কম্মিস্নারদগী হোলদা ফিল্ম কাপ্পা য়াবগী অয়া চে লৌরগা ইহান হানবা ওইনা ফ্রেন্দস টোলকিজদা কাপ্পা হৌরকখি। মতমদুদা মদুগী থৌরাংবু করিগী লৌখৎলকখিবনো হায়বগী মনুংগী ওইবা ৱাফম খরসু লৈখি। মতমদুদা সেল্ল্যুলোইদ ফিল্ম নত্তনা সিনেমা হোল অমদা ভিদিও ফিল্ম কাপ্পা য়াদে হায়বা সিনেমাটোগ্রাফ এক্টকী মতুংইন্না মরী লৈনবা দি সীদগী অয়াবা লৌনবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। লোয়নননা সেন্সর সর্টিফিকেট য়াওদ্রবদি মীয়ামদা উৎপা য়াদে হায়বা লৈবনা গুৱাহাতি তান্না চৎতুনা শেল তীংনা সর্টিফিকেট লৌনরকখিবনি। অদুমক্তদা মীওই খরনা ভিদিও ফিল্ম কাপ্পা য়াই য়াদে হায়না য়াম্না য়েৎনখিবা, মদুগীদমক অখন্নবা অচৌবা মীফম কয়া ফমদুনা ৱাফাংনখিব কয়া অমা লৈখি। অদুবু মতমগী মতুংইন্না ভিদিও ফিল্ম অদু দিজিটেল ফিল্মলোমদা ওনশিন্দুনা ক্বালিটিগী ৱাফম তোঙান্না থম্লগা ক্বান্টিটিরোমদা মায় লৈশিন্নরক্তুনা চহী অমদা ফিল্ম ১০০ রোম অমদি চাম্মা হেন্না পুথোকখিবগী অঙকপা রেকোর্দ মণিপুরদা লৈখি।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি য়েংলগদি, মতম অমদা লৈখিবা ভিদিও ফিল্ম (ভি ঐচ এস)কী ঈহৌ অদুনা ঙসিদি মণিপুরী ফিল্মগী লেপ্তুনা কাখৎলক্লিবা কৈরাক অসি থারকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি হায়বসিদা লান্নিংঙাই ওইদ্রে। অদুনা, ঙসি ফিল্মগী ৱারী লীনরকপদা হায়রিবা তাঙ্কক অসিবুসু ঐখোয়না নীংশিংফম থোকই। হন্দক মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মণিপুরী ফিল্মনা সনা ফুদোংবগী থৌরমগী লোইশিল্লকপদা মীয়ামদা মণিপুরী ফিল্মগী হিষ্ট্রি অমা লীরদুনা ফিল্ম কয়া অমা কাপ্তুনা মীয়ামদা য়েংহন্নবগী তাঞ্জা অমা পীবীখি। মদুগী মনুংদা মতম অমগী ভি ঐচ এসতা নমখিবা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখিবা পোপ্যুলর ওইবা ভিদিও ফিল্ম খরবুসু য়াওহনবগী খুদোংচাবা অমা পীখিবা অসিমক্তি থৌরম অদুবু শীন লাংখিবা ফিল্ম স্ক্রিনিং সেলেক্সন কম্মিটি অমদি এম এস এফ দি এসকী মপুং ওইনা শীন লাংলিবা সেক্রেটরি বি সঞ্জুবুসু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলি। মতুং তারকপদসু মশক থোকপা থৌরম কয়া শীনবীরক্তুনা মণিপুরী ফিল্মগী ঈহৌ শাগৎপদা কনা কনানা করি করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বা অসি য়েংলগা মরুওইবা খরবুসু লৌখৎতুনা থৌরম পরেং শীনবদা মশক থোক্লবা হোৎনরকখিগনি হায়বগী থাজবসু থম্লি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২৯। ০৫। ২০২২ ইং; নুংথিল পুং ২.৫৬ ফাওবা কালেনগী ২৯ নি পাল্লি, মতুং থাশুনি।**

মেষ: য়েক্লবা লৈরল্লসু ঙমজবা, মীনা ঈকায় খুম্নবীবা, অথেংবদা লন ফংবা য়াবা অমদি অয়ুক্তা অফবা খোঙশাল লৈ। খোয়রাংবনা মাঙজবা অমদি কায়নবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ: অঙম্বনা চানবীবা, য়েৎনবনা কান্নবা ফংবা অমদি পল্লম্বা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবা লৈ, নুমিৎয়ুংবা মতুংদা হরাওবা, লন চঙবা অমদি মীচঙ হেনগৎপসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

মিথুন: অয়ুক্তা নীংজবা ফংগনি, য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি, মীয়াম লোয়নদুনা নুংঙাইজবা লৈগনি। অরাপ্পদগীসু কান্নবা ফংগনি। নক্লবনা কোকতি শাহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কর্কট: থবক পাঙগনি, শেল ফংগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, মরুপ মপাং/মীয়ামগী মতেংনা পাংঙমদবা থবক পাঙগনি। অদুবু নোল্লুকপা হৈত্রদি নরল ময়েং তাগনি ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

সিংহ: শেন্দোং তানবদা লৈজবা কায়দুনা খুৎচাও থারবসু হেন্না কান্নগদবা নুমিৎনি। পোরম শীনবা হৈবনা হেন্না ওইজবসু ফংগনি। ফিংলদি নুংশা থিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কন্যা: অৱাবা খরা নংবা লৈরসু মীয়ামগা লোয়নবদি য়াগনি, লান দবনা মায় পাকচবা ঙসিসু লৈগনি। মরুপ/য়ুমগী ৱা তাবসু থোইনা কান্নগনি। চিংনবা অমদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: অয়ুক্তা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ। নীংথিনা খন্থরগা পাঙবা থবকশিং শোয়দনা মায় পাক্কনি। মীৱা লৌবনা মাঙজবা, ফংবা য়াবসু অনম তানবনা মাঙজবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নীংবা শোয়দনা থুংগনি, অঙম্বনা চানবীগনি, শেন্দোং য়াম্না লৈ। অদুবু অকল অথৌগী থবক অমদি অনম তানবৈ থবক্তদি মায়থিগনি। মৈদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু: নুমিৎয়ুংবা মতুংদা নীংবা থুংবা, ওইজবা য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। লৌশিং ফুদোকপা খরা ৱারবসু য়েৎনবা লৈরম্বদি কোকচগনি অমদি নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: মীয়াম্না থাগৎপিবা, পল্লম্বা থবক পাঙবা, নচা-ননাই চাওখৎপা অমদি হরাওবা লৈগনি। নীংহন্নদবগী কান্নবসু ফংজগনি। মহু চাওবনদি কল্লক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: অয়ুক্তা চাওনা কান্নবা ফংজৌ হায়বা খোঙশাল লৈ। নাপলনা নচা-ননাই ময়েং তাবা য়াবা অমদি খুৎ চাওবনা মরুপ মপাংগা নুংঙাইনরোই-মতাং চাদে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: মরুপ মপাংনা থাগৎপিবা, পোরম য়াৎপা হৈবা, ইমুং মনুংগী ৱাদি থোইনা কান্নবা নুমিৎনি। নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লাইবক ফবা হেনগনি। খোয়রাংবদি ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# 'মার্ক থাংমাং হাওকিপনা ম্যান্মারদগী মণিপুরদা মীওই কয়া পুশিল্লকপনি হায়বা ময়েক শেংলে'

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস):

মার্ক থাংমাং হাওকিপ হায়রিবা নুপা অসি ম্যান্মারদগী মণিপুরদা মীওই কয়া পুশিল্লকপনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংলে হায়না য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ফৌগাকচাও ইখাই অৱাং লৈকায়গী প্রসিদেন্ট কে বিক্রম অমদি সেক্রেটরি কে শান্তিকুমার অনীনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, নারোলদা ম্যান্মারদগী চঙশিল্লকপা মীতোপ কয়া অসিনা পুন্না নুংশি-চান্নরনা লৈমিন্নরম্বা চীংমী-তম্মীগী মরী অদু খায়বুং খায়বুং তাহন্নবা হোৎনরে। ইরমদম মণিপুরগী পুৱারীবু ঈকায়খুম্নদবা অমদি পুৱারীগা শাগোন্নরকপা লাইফম্লেন কয়াবু মাঙথোকপগী থবক অসিদা চাউনা লুচিংলিবা মীশক মার্ক থাংমাং হাওকিপ অমদি মহাক্কা লোয়নবশিং অসিননি হায়বসু ময়েক শেংলে। মৈতৈনা খুন্দারকপদগী থাংজিং হায়দুনা লাইফম থাংজিং চীংবু মার্ক থাংমাং হাওকিপনা শিংচেপ থাদুনা অয়েৎ-অপন কয়া পীরিবা অসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমী নত্তে হায়বনি। ফীভম অসি মতম চানা লাকশিনহৌদ্রবদি ইরমদম অসি কাং-খোং চাইবা অমদি হাৎন-শুনবনা থল্লবা লমদম অমা ওইরক্তুনা চাউখৎপগী লমজে লদা য়াওবা ঙম্লোইদবগী মওংদা লাক্কনি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, সোসল মীদিয়া কয়াদসু মার্ক থাংমাং হাওকিপ হায়রিবা মীওই অসিনা লুচিংদুনা মীতোপ মীয়ানচা কয়া পুশিল্লকপগী ভিদিও ফুটেজ কয়া লৈবাক মীয়াম্নসু উরিবনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্তা থিজিন-হুমজিনবা তৌদুনা অসিগুম্বা ফীভম অসিদগী কলহৌনবা মণিপুর অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎকদবনি। নৎত্রবদি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং মতম খরগী মনুংদা ইরমদম মণিপুরদগী মমি শামখিবা হায়বসি শোয়দ্রবিন। মণিপুরগী শক্তম থুগায়নবা হোৎনরকপা খূদিংমক য়ুথ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ৱাই দি ও)নসু মতম চুপ্পদা থেংননবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


## ꯁꯔꯥꯁꯔꯥ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তীনবীরম্বী **চোংথাম নিঙোল য়ুমলেম্বম ওংবী অনৌ (ইনৌ) দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লল্লগা, হৌখিবা মেগী তাং ২০, ২০২২ ইং, কালেনগী ২০নি পানবা ইরাই নুমীত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী **অনঙ্গমঞ্জরী দাসী** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা মেগী চাং ২৫, ২০২২ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীত্তা অষ্ঠি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, জুনগী তাং ০২, ২০২২ ইং, ইঙাগী ৩নি পানবা শগোলশেল নুমীত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রী শ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রদা কচ্চগদৌরি।

থৌরম অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচরি।

পত্রনা নিমন্ত্রণ কৎচবগী অপারাধ খিবিক ঙাকপীগনি।


**থৌরম পরেং ঃ-**

**অয়ুক পুং ০৯.৩০ : ভেক কৎপা**
**নুংথিল পুং ১২.৩০ : সঙ্কীর্ত্তন হৌবা**

*বিনীত :*
**য়ুমলেম্বম মণিহার সিংহ (মপুরোইবা)**

HL-B/7666/27,29

**ৱাঙ্খে কোন্সম লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট।**

Title : Flower
By : Farhan Khan
Class : IV Sec : C Roll : 6
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Cinderella
By : H. Lanthoi Chanu
Class : V Sec : A Roll No. : 43



Title : Living Wood
By : Henthoi Ningthoujam
Class : VIII Roll : 9
School : Triveni Public School, Lilong



Title : Scenery
By : Irom Linthoinganbi
Class : KG Roll : 22
School : The New Horizone Public School



Title : Scenery
By : Lanchenba Leitanthem
Class : V Sec: C Roll : 23
School : St. George School



Title : Papaya
By : Nandeibam Mangal
Class : I Roll : 13
School : Little Rose School, Sagolmang





Title : Saving Water
By : M. Nena Devi
Class : IV Roll : 11
School : Bhairodhan Maxwell Hindi High School



Title : A Bird
By : Nongmeikapam Bidyanand
Class : I Roll : 12
School : Little Rose School, Sagolmang



Title : Landscape
By : Oasis
Class : V Sec: B Roll : 5
School : Standar Robarth Higher Sec. School



Title : Hen
By : S. Johnson
Class : III Roll : 8
School : Little Rose School, Sagolmang




Title : Rain Water Harvesting
By : Selheiba Konjengbam
Class : V Sec: A Roll : 59
School : Standard Robart Higher Sec. School



Title : Lord Shiva
By : Takhellambam Damini
Class : I Sec : Lotus Roll : 22
School : Sl. Arena of Learning



Title : A Boy in a Scenery
By : Takhellambam Ranjita
Class : Nursery Sec: Lotus Roll : 2
School : Sl. Arena of Learning



Title : Hen & Egg
By : Wahengbam Gelin Luwang
Class : I
School : Little Master English School



Title : Flood in the City
By : K. Srinivas
Roll : 38
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Sangai
By : Telheiba
Class : V Roll : 21
School : Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাওগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।